**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরদা ঙসি মীওই ২৯ নৌনা কোভিদ পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীগী মশিং ৮২ শুরে।

২) গোবিনদাস কোন্থৌজম এম.এল.এনা হায়রি- লমদম অসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংনা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেনবগী তঙাইফদবা লৈ।

৩) বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা অশোই অঙাম থোক্তনা লৌ উবা য়াহন্নবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

৪) ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি ।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতপু মালেমগী শেল থুম পায়বা অহুমসুবা লৈবাক ওইহন্নবা লৈবাক অসিনা হোৎনরিবা খোঙথাংবু মালেমগী লুচিংবা কয়ানা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

------

কোভিদ (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি মীওই ২৯ নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীগী

মশিং পুন্না ৮২ শুরে। রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়- ঙসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ৪৬ টেষ্ট তৌবদা ২২ কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইরম্বা থেংনখি। ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৬, থৌবালদগী মীওই ১ য়াওনা মীওই ২৯ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি।

হৌজিক হৌজিক লায়না অসিনা নারবা মীওই ৭১ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লায়েং চথরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা লায়না অসিদগী নাবা ফরক্কুনা মীওই অনি দিসচার্জ তৌখ্রে। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা দিসচার্জ তৌখিবা মীওই ৫ শুরে।

গোবিদাস (এল)ঃগোবিনদাস কোন্থৌজম এম.এল.এনা হায়রি- লমদম অসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংনা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেনবগী তঙাইফদবা লৈ।

লাইওন্স ক্লব নিংথৌখোংনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্ব পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোইশিংদা মেরিতোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি এম.এল.এনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- নেসনেল এন্থেম শাকপনা ঐখোয়দা পীরিবা কান্নবশিং খঙগদবনি। মসিনা লৈবাক অসিগী নহা কয়াদা লৈবাক নীংবগী ইথিল হেনগৎহল্লি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা বিষ্ণুপুর জিলাগী ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগী দেটা খোমগৎপগী থবক চথবা হৌরে। দেটা খোম্বগী থবক অসি জিলা অদুদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিং অমদি জিলা অদুদগী লাঞ্জেন্নদুনা অতোপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনসু চথগনি হায়রি।

ওজা (এল)ঃ মণিপুরদা লৈরিবা সরকারগী অমদি গভর্নমেন্ট এদেদ কলেজশিংগী ওজাশিংগী এমফিল্ড অমদি পি.ঐচ.দি দিগ্রিশিং নৌনা য়েংশিন্নবা

রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এন্দ টেকিকেসন ইদুকেসন্না য়ুনিভর্সিতি এন্দ হায়র ইদুকেসনগী দিরেক্তরদা খঙহনখ্রে। সুপ্রিম কোর্টনা ইং কুমজা ২০১৪ গী মার্চ ৩১ দা ওজাশিংগী দিগ্রিশিং নৌনা য়েংশিন্নবা তাখিবা রাই অমগী মতুংইন্না থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা রাজ্য সরকারনা ঙসি ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোক্তুনা থবক অসি পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। মরম অদুনা সরকারগী অমদি গভর্নমেন্ট এদেদ কলেজশিংদা ওজা ওইরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী প্রিন্সিপালশিংগী খুত্থাংদা মশা মশাগী দিগ্রিগী অকুপ্পা মরোলশিং মথং থাগী ১০ ফাওবদা দিরেক্তরদা পীশিল্লক্কদবনি। লোয়ননা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি অমসুং মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী ওইনসু হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী সার্তিফিকেটশিং য়ৌহল্লক্কদবনি হায়রি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী দিগ্রিশিংগী সার্তিফিকেটশিং পীশিল্লক্ত্রবদি ওজাশিং অদু এমফিল্ড নত্রগা পি.ঐচ.দি দিগ্রি ফংদে হায়না লৌগনি হায়রি।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি জিলাগী ময়াংখাং তুরেলগী খোঙনুংদা আইন কায়না য়ুম কৈ, দুকান্নচিংবা শাজিল্লিবশিং মশা মশানা লৌথোকবা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা খঙহল্লি। তুরেল খোঙনুংদা অসিগুম্বা ট্রকচরশিং শাজিনবনা তুরেলগী ঈচেল নাথৈবা অমদি নিয়ম চুমা চেন্থবা ঙমদবদগী ঈশিং ঈচাউ থোক্তুনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োকহল্লে। মরম অদুনা হায়রিবশিং অসি মশা মশানা অথুবা মতমদা লৌথোক্কদবনি। করিগুম্বা লৌথোক্তবা তারবদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ গী সেক্সন ৩০ গী মখাদা সরকারনা তকথোক্লগনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা ঙরাং লৌ শুদুনা লৈবা লৌমী অমা নোংমৈনা পানদুনা শোকখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুরদা মীয়ামা লম্বী থিংবগী খোঙজং চথুনবা হোৎনখিবা অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা হন্দোকখ্রে। ঙরাংগী থৌদোক অদু মতৌ করমা থোকখিবনো

হায়বদু নিংথিনা থিগৎপগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীনবা মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা খন্নরগনি হায়বগী থাজবা মীয়ামদা পীখি। লোয়ননা মহৌশাগুম অকি অখঙ য়াওদনা লৌ উবা য়াহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মীয়ামদা থাজবা পীখি।

মফম অদুদা অশোই অঙাম থোক্তনা লৌ উবা য়াহন্নবা অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাং পায়খৎলগনি, মীয়ামা মীপাইবীগনু হায়বা ৱাফম জিলা অদুগী এস.পি- ক্ষেত্রিময়ুম রবিকুমারনা থাজবা পীখি।

ফোক্স (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা ঙরাং লৌ শুদুনা লৈবা মীওই অমা নোংমৈ পানবগী থৌওং অদু ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুর য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। লৌমীশিংদা অতমনা অসিগুম্বা থবক চত্থবা হায়বসি রাজ্য অসিগীতা নত্তনা লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোনদা চাউনা শিংনবনি।

চেরোল অমদা ফোক্সনা হায়- অসিগুম্বা থৌওং চত্থরকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎকদবনি। মখা তানা অসিগুম্বা থবকশিং চত্থরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা সরকারনা মাংজোননা থবক লৌখৎপীনবা ফোক্সনা আপীল তৌরক্লি।

ফোরেষ্ট (এল)ঃ আইনগী ৱাংমদা চীংলৈবাক কোৎপা, চীংদগী নুঙ লৌথোকপা অমদি লৈঙোই কোৎপশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার, চান্দেলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- সরকারগী অয়াবা য়াওদনা চীংদগী উ-ৱা য়ানদুনা পুথোক পুশিন তৌবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি।

কামজোং জিলাগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনসু চেরোল অমা থোক্কুনা জিলা অসিদা আইন্না য়াদবা মওংদা উ-ৱা য়ানদুনা পুথোক পুশিন তৌবা অমসুং চীংলৈবাক কোৎপা, চীংদগী নুঙ লৌথোকপা অমদি লৈঙোই

কোৎপশিংগী মথক্তা  আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

নোনে জিলাগী ওইনসু মরম চাদনা চীংদগী লৈবাক লৌথোকপা অমদি উ-ৱানচিংবা য়ানবা খুদক্তগী থিংলে। কনাগুম্বশিংনা চীংদগী নুঙনচিংবা পেকপা য়ারোই। করিগুম্বা পেকপা তারবসু আইনগী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদগী অয়াবা লৌরগা পেক্কদবনি হায়রি।

তমেংলোং জিলাগী ওইনসু হায়রিবা থবকশিং অমত্তা চথবা য়ারোই হায়রি। উমংদগী উ য়ানবা অমদি মাংজোননা খঙহল্লম্বা তৌদনা লৈবাক কোৎথোকপচিংবা অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়রি।

জিরিবাম জিলাদসু আইন কায়না চীং লৈবাক কোৎপা অমদি উমংগী পোত্থোকশিং পুথোক পুশিন তৌবদা অথিংবা থল্লে। কনাগুম্বনা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা থবক চথুরক্লবদি আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়না জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও- এলাংবম নিরমালানা চেরোল অমা থোকখ্রে।

এরেষ্ট (এল)ঃ   কাংলোন কাইনা চীংলৈবাক কোৎলম্বা অমদি চীংলৈবাক পুদুনা চৎপশিংগী মথক্তা রাজ্য সরকারনা অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা ঙরাং থৌবাল জিলাগী ফুন্দ্রেদগী চীংলৈবাক কোত্তুনা পুরকপা ৪০৭ তাতা অনি দ্রাইভরগা কোন্ননা থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জনা ফাগৎলে হায়রি।

যোগ (এল)ঃ    প্রোজেক্ট সেৱক অমদি মসিগী মশা লোইশঙশিংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী হৌরগা হয়েং ফাওবা চথুগদৌরিবা মালেমগী যোগ নুমিৎকা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমদা যোগগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই লিশিং ১ দা যোগগী ইন্সট্রক্তর কয়ানা যোগগী তোঙান তোঙানবা আশনাশিং তাকপী তম্বীরি। প্রোজেক্ট সেৱকনা যোগগী থবক থৌরমশিং অসি মণিপুর, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপনি।

ফারামসি (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট ফারমাসি কাউন্সিলনা শিন্দুনা ফারমাসিগী মতাংদা

মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাকয়েলপাৎতা লৈবা মণিপুর সাইন্স সেন্তরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা প্রেস্ক্রিপসন মোনিটরিং এন্দ ষ্টোর মেনেজমেন্ট হায়বা হিরমদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা রেজিষ্টর তৌরবা ফারমাসিষ্ট ১০০ হেনবগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

কাংপোকপী (এল) ঃ অহমেদবাদকী প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবী কেবিন ক্রু লমনুনথেম সিংসন ঙসি মহাক্কী পোকফম লমদম কাংপোকপীদা লৈরোল চনখ্রে। মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ঙরাং অহমেদবাদতগী দিমাপুর ফাওবা ফ্লাইটতা পুরকখি। লৈখিদ্রবী লমনুনথেমদা মীয়ামা অরোইবা ইকায় খুমবগা উৎপগা লোয়ননা ঙসি লৈরোল চনবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ চৌধুরি, এম.এল.এ- নেমচা কিপগেন, এস.পি. মনোজ প্রভাকর অমসুং জিলা অদুদা লৈরিবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

নোং (এল) ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল অমদি চান্দেল জিলাগী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি ।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- ফেরজোল জিলাদা থা অসিগী ২২ দগী ২৪ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদনা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা অকনবা নোং চুগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং অমসুং কাংপোকপী জিলাদা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- ভারতনা খুমাং য়াংনা চংশিনদুনা মালেমগী শেল থুমগী লমদা অহুমসুবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসিবু মালেমগী লুচিংবা কয়ানা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ৱাফম অসি বিহারগী সিৱানদা লুপা কোতি লিশিং ৫,৯০০ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাবা অমসুং খরগীনা যাত্রা হুনবগী থৌরমদা শ্রী মোদিনা ফোংদোকখিবনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা অর্বান দেভলপমেন্ট, সিৱেজ ট্রিটমেন্ট, পি.এম অৱাজ য়োজনা, রেলৱে অমসুং পৱর সেক্তর য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রিনা লুপ কোতি ৪০০ হেন্না চংনা পায়খৎপা বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশ ফাওনগদবা বৈসালি-দিওরি রেলৱে লাইন প্রোজেক্টসু মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। পাতিল পুত্রদগী গোরাখপুর ফাওবা চেনগদবা বন্দে ভারত এক্সপ্রেস ট্রেনসু লমথাখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাও--

ফুটবোল (এল) ঃ সেকমাই কৌজেংলৈমা গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দিমাপুর রোড এথলেটিক ওর্গনাইজেসন অমদি অসুফি এফ.এ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি, অতোপ্পা মেটচশিং সার্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৪-২ দা অমদি রাইজিং এথলেতিক য়ুনিয়ন (রাও)না ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি ।

টেন্নিস ঃ ভারতনা অহানবা ওইনা বিলি সোন কিং কপ ২০২৫ প্লে ওফস য়ুম্মু ওইরগনি হায়না ইন্তরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন্না লাউথোকখ্রে। চহি অসিগী নবেম্বর ১৪ দগী ১৬ ফাওবা চথুগদৌরিবা কপ অসিগী য়ুম্মু ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতসু অমা ওইরি। প্লে ওফস অসি বেঙ্গলুরুগী এস.এম. কৃষ্ণ টেন্নিস

ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। য়ুম্বু ওইগদৌরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা- আর্জেন্টিনা, ওষ্ট্রেলিয়া, ক্রোয়েসিয়া, জরমনি, মেক্সিকো অমদি পোলেন্দসু য়াওরি।

কপ অসিদা ভারতনা গ্রুপ-জিদা স্লোভেনিয়া অমসুং নিদরলেন্দসকা রাউন্দ রোবিন মেটচতা থেংনগনি। গ্রুপ ৱিন্নর ওইরবা টিম অদুনা ইং ২০২৬ কী ক্বালিফায়রদা শরুক য়াগনি। ফেদ কপ হায়না খঙনরম্বা বিলি সোন কিং কপ অসি নুপীশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ইভেন্ট অমা ওইরি।

ক্রিকেট ঃ  ভারত অমসুং ইংলেন্দ অনিগী টেষ্ট সেরিজগী ঙসিদগী ইংলেন্দগী হেদিংলি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ভারতনা ৱিকেট অনি তুরগা রন ১৫৮ লৌরি।

------